**থম্মোয় পাউদম** **হুইয়েন ইন্দু**

# নেসনেলিজম, য়ুনিটি অমদি অপূনবা শক্তম

লৈবাক অমগী নৎত্রগা লমদম অমগী অপূনবগী শক্তম হায়বসিবু করিনো? ঐহাক ঙসিদি চমন্নবা অমা পোল্লক্লে। ৱাহৈ অসিগী ৱাহন, ইশাগী ইরোন অসিদা ফাওবা থিবা ৱারবগুম তৌরক্লে। ইংরাজিদা হায়রগা 'য়ুনিটি এন্দ ইন্টিগ্রিটি' - অমদগী হেনবা ময়াম অমা পুনশিনবা অমদি অমত্তা ওইবা! ৱাহৈসিগী ওইবা 'লিতরেল মিনিং', ৱাহৈসিনা ফোঙদোক্লিবা ৱাগী ৱাহন অদুদদি কনানসু চমন্নরোই। ৱাহন অদু মীৎমাঙসিদা তরং-তরং শক্তম ওইনা, অহিংবা ওইনা উবদুনি 'অপূনবগী শক্তম'। ৱাখলসিদা ফাওরিবা ওইফম থোকপা শক্তমদুগা, উরিবা শক্তম অসিগা মান্নরক্তবা অসিদনি - ঙসি চিংনবা পোল্লক্লিবা। ৱাখলসিনা লানবরা? শক্তমসিনা লানবরা ? অনীগী মরক্তা অমদি শোয়দনা ওইরনি।

অপূনবা নৎত্রগা পূনশিনবা হায়বা ৱাহৈ অমা শীজিন্নরম্বা অসিনদি তাকই - অমত্তা ওইদ্রবা, মচোই মচোই তারবা মচেৎ ময়াম অমনি। মচোই মচোই মচেৎ তাবা হায়বসিসু মখল অনী থোকই - (১) হান্না মপূম ওইরম্বদগী থুগাইদুনা মচেৎ তাহনখিবা; (২) মান্নদবা মচেৎ মচেৎ নৎত্রগা মচাদি ওইরগা হান্না মপূম ওইজরম্বা ময়াম অমবু মপূম ওইহন্নবা হোৎনবদা মায় পাক্তবা। ঙসি ৱারেং ওইনা ইগে খল্লক্লিবা 'অপূনবা' অমদি 'অমত্তা ওইবা মতৌ'গী ৱাফম অসি, পাবীরিবা ময়ামসু পাদ্রিঙৈদা ফাওবীরমগনি - মপূম ওইরম্বদগী কায়দুনা মচেৎ তাখ্রবা করিগুম্বা পোৎশক অমগী মরমদা নত্তে, হৌরকফম জাৎ-শক-চু-চাকচা-য়ুথক-লোন'নচিংবা অমত্তা মান্নদবা মীওই কাঙলুপ ময়াম অমা লৈবা 'ইন্দিয়া' কৌবা, উপ-মহাদেশ (সব-কন্টিনেন্ট) অমগা প্রমান তৌনরিবা অচৌবা লৈপাক অসিগী মরমদনি।

মান্নদবা লমদম (ষ্টেট) ময়াম পূনশিল্লগা শেম্বা লৈবাকনি হায়বসি মমিংদু হেক তাবমক্তদা খঙবা লৈবাক অনীখক লৈ - য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকা (য়ু এস এ) অমদি য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটস (য়ু এ ঈ)। মালেমগী খ্বাইদগী শক্তি লৈরবা লৈবাক অমনি হায়না শিংথানরিবা 'য়ু এস এ' তোঙান তোঙানবা ষ্টেট য়াংখৈ (৫০) না পূনশিল্লগা শেম্বনি। য়ু এ ঈ - মুসলিম রুলর (ইমির/অমির) তরেৎনা লৈঙাকপা, নীংতম্বা লৈবাক (ইমিরেট) তরেৎ (৭) না পূনশিল্লগা শেম্বনি - অবু ধাবি, দুবাই, অজমন, ফুজাইরাহ, রস-অল-খইমাহ, সরজাহ অমদি উম-অল-কুৱাইন।

মতম অমদা য়ু এস এস আর (য়ুনিয়ন ওফ সোভিয়েট সোসলিষ্ট রিপ্লিক) হায়না খঙনবা, অপূনবা সোভিয়েৎ রুসিয়া অমা শাগৎপগী মঙলানদা শাগৎপা অচৌবা লৈবাক অমা লৈরম্মী। কুমজা ১৯২২দা লীংখৎখিবা লমদমদু কুমজা ১৯৯১দা ১৫ থোক্লা কায়খি। কায়দ্রিঙৈদদি রিপব্লিক ১২গী অপূনবা (য়ুনিয়ন) ওইরম্বনি।

মতৌ অসিগুম্না 'রিপব্লিক ওফ ইন্দিয়া' - ১৯৫০, জন্যুৱারী ২৬তা শেমখিবা লৈবাক অসিদা ঙসি ষ্টেট ২৯ অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি ৭ লৈ। কুমজা ১৯৫০, ইন্দিয়া কৌবা অনৌবা লৈবাক অমা শেল্লকপা (কন্সটিট্যুট তৌরকপা) মতমদা ইন্দিয়াদা তোঙান তোঙানবা ষ্টেট মখল মরি লৈরম্মী - পার্ট 'এ', পার্ট 'বি', পার্ট 'সি' অমদি পার্ট 'দি' গী ষ্টেটশিং। বৃটিশ-ইন্দিয়াগী মতমদা গভর্ণরস প্রোভিন্স হায়না খঙনরম্বা গভর্ণর অমগী মখাদা ষ্টেট লেজিসলেচরশিংনা লৈবাক ঙাক্লম্বা লমদমশিং অদুনা 'পার্ট-এ' ষ্টেটশিং। ইন্দিয়া শেল্লকপা মতমদুদা 'পার্ট-এ' ষ্টেট মাপন (৯) লৈরম্মী।

অতোপ্পা 'পার্ট-বি' ষ্টেট নিপান (৮) অদুদি হান্না নিংথৌ পানবা লৈবাক ওইরম্বা লম অমদি অদুগুম্বা লম খরা পূনশিল্লগা বৃটিশ লৈঙাকপশিংনা খনবা 'মরুওইবা নিংথৌ (রাজাপ্রমুখ) অমগী মখাদা লৈরম্বা, মীয়ামগী মীহুৎ অমগা লোয়ননা লৈঙাক থৌদা পুমিন্নরম্বা লমদম খরদুনি।

'পার্ট-সি' ষ্টেট হায়না খঙনবা ষ্টেট তরা অদুদি, হান্ননা নিংথৌ পানবা লৈবাক অমদি ওইরম্বা, মতমদুদনা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট'না হাপ্পা চীফ কম্মিস্নর অমনা লৈঙাক থৌদা পুরিবা ষ্টেট অমদি প্রোভিন্স খরা অদুনি। অৱাং নোংপোক লমদমগী নিংথৌ পানবা, নীংতম্বা লৈবাক ওইরম্বা মণিপুর অমদি ত্রিপুরা - পার্ট-সি ষ্টেট ওইনা শকখঙখিবা ষ্টেট তরাদুগী মনুং চনখিবনি। অসামদি 'পার্ট-এ' ষ্টেট ওইনা শকখঙখি।

সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট'না হাপ্পা লেফটনেন্ট গভর্ণর অমগী মীৎয়েংখাদা লৈরম্বা 'অন্দমান এন্দ নিকোবর ঈথৎ' অসিখক্তনি, ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন'না 'পার্ট-দি'-ষ্টেট ওইনা শকখঙখিবা। অতৈ পার্ট এ-বি-সি ষ্টেটশিংগী লিষ্ট অদুদি ৱারেংসিনা কোনশিনজররোই। ইন্দিয়ন য়ুনিয়ন শেমখ্রবা মতুংদা, ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী প্রোভিজনশিং হন্না হন্না শেমদোক্তুনা, লেপ্পা লৈতনা ষ্টেটশিং রিওর্গনাইজ (শেমদোক শেমজিন) তৌরক্লি।

ষ্টেট-রিওর্গনাইজেসন-এক্সর্সাইজ, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট'না শান্নবা ঙসি ফাওবা লেপ্তুরি। অসাম, অরুনাচল, মণিপুর ষ্টেট অহুমগী বাউন্দরি, নৌনা অমুক শেমদোক্লগা নাগালেন্দগী বাউন্দরি চাউথোকহল্লক্কনি মিপাইনরি। নীংতম্লবা ইন্দিয়াসিদগী তোখায় তারগা নীংতম্বা লৈবাক ওইজখ্রগে হায়বা লানজং অমসু চঙশিন্নরক্লি। নীংতম-ঈহৌসু নত্তবা, নক্সলাইট অমদি মাওইষ্টশিংগী খূৎলায় পায়বা লালহৌ মখল অমসু লৈ। কাশ্মীরি খরনা, ইন্দিয়ন সিটিজেন ওইবগী পাসপোর্ট পায়না-পায়না মশাবু ইন্দিয়ন নত্তে হায়জবা, ইন্দিয়াগী ফিরাল চিংথরগা পাকিষ্টানগী ফিরাল চিংখৎপদা ইন্দিয়ন পোলিটিকল ওথোরিটিনা করিমত্তা হায়বা ঙমদবা ... পুপ্রিম কোর্ট'তা লো প্রাক্টিস তৌরিবী লোয়র অমনা, মুসলিম এম পি অমনা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা নেসনল মিদিয়া হাওজশিংগী খূত্থাংদা ফোংনা ষ্টেটমেন্ট পীরকপদা মনীং তমহনবা ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্ট'নি।

মসিনা তাকই - লৈবাকসিদা য়ুনিটি লৈতে, ইন্টিগ্রিটি য়াওদে। ঐখোয় অমগা অমগা নুংশিনদে। অমত্তা ওইদে। হিন্দুগা মুসলিমগা নুংশিনদে, খৃষ্টিয়ন'না সিখপু ইকায়খুম্নদে। লাইনীং লম্বী অমনা অতোপ্পা লাইনীংবু থাজদে। থাজনদবা, নুংশিনদবা অদুনা অমগা অমগা পূনশিন্নবা য়াহন্দে। মরাথিশিংনা 'মরাথা' গী অকন-অরিং ওইরম্বগী ৱারীদুদা চাউথোকচৈ। গুজরাতি, মারৱারি, পঞ্জাবী; বিহারি, বঙ্গালি, অসামি; নাগা, ত্রিপুরি, মণিপুরী ... মশা মশাগী আইদেন্টিটি অদুনা 'ইন্দিয়ন আইদেন্টিটি' অদুদগী হেন্না মরু ওইনা লৌই। ইন্দিয়ন অমনি হায়বদা চাউথোকচবা ঙমজদে। মদুনা হৌহল্লকই - তোখায় তাবগী নীংতম ঈহৌ।

অমরোমদা, ১৭৭৬ জুলাই ৪দা পোকখিবা য়ু এস এগী কন্সটিট্যুসন মার্চ ৪, ১৭৮৯দগী চৎনবা হৌখি। হেক পোকপা নুমিত্তা ওইখিবা ষ্টেট ৫০ ঙসিসু লেঙদনা লৈরি। ষ্টেট ৫০সিদগী কনাগুম্বা অমত্তনা তোখায় তানবা নীংতম ঈহৌ হৌরকখিদে। ষ্টেট ৫০ অসিগী তোঙান তোঙানবা কন্সটিট্যুসন অমমম লৈজরগসু, সিটিজেন পূম্নমক্কী ৱাখলদা 'ঐহাক অমেরিকান অমনি' হায়বা অকনবা ফিলিং অদুমদি 'কম্মন' নি। স্পেনিস, ফ্রেঞ্চ, ইংলিস, টুর্কিস... তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাক্লগা খুন্দাররিবা মফমদুদা 'অমেরিকান' কৌবা নেসন অমা শাগৎলকখিবনি। হায়নৈ ইন্দিয়ন প্রসিদেন্ট অমনা 'ঐ ইন্দিয়ন অমনি' হায়বদা পোকপা চাউথোকচবা অদু অমেরিকাগী সিফাই অমনা 'ঐ অমেরিকান অমনি' হায়বদা পোকপা নাপল অমদি ইকায়খুম্নবা অদু য়ৌঙমদে। স্পেনিস আইদেন্টিটি অদুসু কায়হন্দনা থম্লগা অমেরিকান আইদেন্টিটি অদুনা সুপর-ইমপোজ তৌবনি।

কুকি নেসনেলিজম, নাগা নেসনেলিজম, মীতৈ নেসনেলিজম মরকসিদা কদায়দগী ইন্দিয়ন নেসনেলিজম! 'বেঙ্গলনা ঙসি উবদু ইন্দিয়ানা হয়েং উগনি' হায়বা কান্নদবা নাপল! মরাথা প্রাইদ! পূম্নমকসিনা ওইহল্লকই 'য়ুনিটি ইন দাইভর্সিটি হায়বা মতম অমগী স্লোগান'দু সিগ্নিফিকেন্স লৈত্রবা ৱাহায় অমা।

পূনশিন্নবা য়াদ্রবা লমসিদা পূনশিন্নবই ৱা ঙাঙদ্রিঙৈ, ৱাখল খনবা হান্না তমখিসি। ঐখোয় ৱাখল খনবা হৈতরি।

**লৌশিং পুক্কে / খোমজিনবা- কৈথেল্লাকপম খুমনঙম্বা**

# এন্টিবাইওটিক রেজিষ্ট্রেন্সকী চাং হেনগৎলক্লি

তোঙান তোঙানবা লায়না লাইওং কয়া অমনা ঐখোয় মীওইবদা লান্দারকপদগী মেদিকেল রিছার্স কয়ানা লাম্থেংনদুনা লাক্লিঙৈ চৈরক অসিদা অনৌবা, য়াম্না তমথিবা খুদোংথীবা অমনা অমুক ঐখোয়দা লান্দারক্লি। তমথিরবা বেক্টেরিয়া কয়া অমা মখোয়বু হাৎননবগীদমক শারক্লিবা হীদাক-লাংথকশিংনা হাৎপা ঙম্লক্তবা অসি লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলক্লি। ঐখোয়না নারকপা মতমদা নাবা ফনবগীদমক চারিবা হীদাক অদুকী চন্নফম লৈরক্ত্রবদা ঐখোয় করি ওইগনি হায়বসি খনবগী মতম থেংজিল্লক্কদৌরে।

অচম্বা লায়না মচাদগী হৌরগা পুন্সি মাঙবা য়ারিবা তমথিরবা বেক্টেরিএল ইনফেক্সনশিংনা নারকপদা দোক্টরশিংনা এন্টিবাইওটিকশিং শীজিন্নদুনা লায়েংলি। বেক্টেরিয়াগা থেংননবা হীদাক মখল অসি ২০শুবা চহীচাগী হৌগৎলকপা মতমদগী য়াম্না পাক শন্না শীজিন্নবা হৌরকখিবনি। চহী কয়াগী মমাঙদগী এন্টিবাইওটিক্লা অনা-লায়েংগী লমদা য়াম্না চাউবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি, অদুবু হৌখিবা চহী খরগী মমাঙদগী অসিগুম্বা এন্টিবাইওটিকশিং অসিনা বেক্টেরিয়াশিং অসিবু থেংনবা ঙম্লক্তবা হৌরকখিবনি। মসি এন্টিবাইওটিকতা রেজিষ্টেন্স থোকপা হায়বদি এন্টিবাইওটিক্লা হাৎপা ঙমদবা বেক্টেরিয়া মখল অসুম অসুম য়ামখৎলকপদগীনি। ফিভম অসিনা মরম ওইরগা বেক্টেরিয়াশিংবু থেংননবগী পাম্বৈ অসুম অসুম হস্থরকপনা মরম ওইরগা খুদোংথীবগী চাং হেনগৎলক্লি।

দোক্টর অমনা বেক্টেরিএল ইনফেক্সন অমবু হান্না শীজিন্নরম্বা এন্টিবাইওটিক্লা কান্নবা ফংলক্ত্রে খঙলকপা মতমদা মদুদগী হেন্না কনবা এন্টিবাইওটিক অমা নৎত্রগনা এন্টিবাইওটিক কয়া পূন্দুনা শীজিন্নবা তারকই। হীদাক অকনবা নৎত্রগনা হীদাক মখল কয়া পারগা চাবা অসিনা মরম ওইরগা হকচাংদা থোকহন্নিংদবা চৈথেং কয়াসু লাকপা য়ারিবনি।

হৌজিক লাক্লিবা ৱাফমদি অসুক তমথিরবা ফিভম অসি করম্না ওইরকখ্রিবনো হায়বসিনি। মমাঙগী চয়োলদা সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (সী দি সী) না এন্টিবাইওটিক রেজিষ্টেন্সকী খ্বাইদগী নৌবা দেটাশিং রিভ্যু তৌবগী রিপোর্ট অমা থাদোরকখ্রে।

রিপোর্ট অদুগী অহানবা চেনামক্তদগী ঐখোয় অসি য়াম্না তমথীরবা খুদোংথীবা অমা মায়োক্নরে হায়না শেংনা ফোঙদোক্লি। সী দি সীনা রিপোর্ট অদু চহী খুদিংগী এন্টিবাইওটিক রেজিষ্টেন্সনা মরম ওইরগা শেৎনা খাইনবগী মৈচাক খাঙলিবা ইমুং ৪৮,৭০০, মশিং য়াম্লবা হেল্থক্যের প্রোভাইদরশিং, পব্লিক হেল্থ এক্সপার্টশিং, ইন্নোভেটরশিং অমদি লৈজবা খুদিংমক পুথোক্তুনা খুদোংথীবা অসিবু থেংনরিবা মীওইশিংদা দেদিকেট তৌরি।

ফিভম অসি তশেংনা নীংবা কায়নীংঙাই মশক ওইরবা খুদোংথীবনি। খ্বাইদগী নৌবা দেটাগী মতুংইন্না য়ুনাইটেট ষ্টেটখক্তংদা চহী খুদিংগী মীওই মিল্লিয়ন ২.৮ দা এন্টিবাইওটিক রেজিষ্টেন্সকী চৈথেং ফংলি। মসিখক্তং নত্তনা সুপরবগ হায়বদি এন্টিবাইওটিক রেজিষ্টেন্স থোক্লবা বেক্টেরিয়াশিং অসিনা চহী অমদা মীওই ৩৫,০০০ শিহল্লি হায়রি। চাওখৎলবা য়ু এস এদা অসি য়ৌনা চৈথেং ফংলবদি ইন্দিয়াগুম্বা চাওখৎপা ৱাৎলিবা মেদিকেলগী মঙাল ফংবা ৱাৎলিবা লৈবাক অসিদদি করি ফিভম ওইরমগনি হায়বসি খন্দবা য়াদ্রবা ৱাফম অমনি। ইন্দিয়ন জর্নেল ওফ কম্যুনিটি মেদিসিনগী রিপোর্ট মতুংইন্না কুমজা ২০৫০ দদি ইন্দিয়াদা চহী অমদা মীওই মিল্লিয়ন ১০ এন্টিবাইওটিক রেজিষ্টেন্সনা শিহল্লগনি হায়রি।

খ্বাইদগী অহানবা ওইনা এন্টিবাইওটিক রেজিষ্টেন্সকী রিপোর্ট সী দি সীনা ফোঙখিবা অসি কুমজা ২০১৩ দনি, অদুনা ৱাফম অসি অনৌবা অমা নৎত্রে হায়না ইমোরি এন্টিবাইওটিক রেজিষ্টেন্স সেন্টরগী বেক্টেরিয়া রেজিষ্টেন্টকী স্পিসিঅলিষ্ট ডা. জেকোবনা হায়রি।

অদুবু অহানবা রিপোর্ট অদুদগী হৌজিক্লা হেন্না ফিভম শাথিরক্লে। এন্টিবাইওটিক রেজিষ্টেন্সকী চৈথেং ফংবা মী মশিংগী চাং অসি হান্না চহী অমদা মীওই মিল্লিয়ন ২ ওইরম্বদগী হৌজিক্লা মীওই মিল্লিয়ন ৩ লোম ওইরে হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

এন্টিবাওইটিক রেজিষ্টেন্সকী খুদোংথীবা অসি করম্না ওইরকখিবনো হায়বসি খঙদবা য়াদবা অমা ওইরক্লি। এন্টিবাইওটিক রেজিষ্টেন্স থোক্লক্নবগী খ্বাইদগী অহানবা অমদি খ্বাইদগী কম্মন ওইবা মরমদি এন্টিবাইওটিক লান্না শীজিন্নবা অমদি চাং হেন্না শীজিন্নবা অসিনি।

মীওই খরদা অরানবা থাজনবী খরা লৈ মদুদি লায়না অমা হেক্তা নারকপা খুদিংদা এন্টিবাইওটিক চারগা হেক্তা ফগনি, অমদি চাবা মথৌ তাই হায়বসিনি, অমদি মখোয়না লোক থুংবা (ইনফ্লুএঞ্জা) গুম্বা লায়না অমগীসু এন্টিবাইওটিক চাশিল্লি। অদুবু এন্টিবাইওটিক্লা অনাবা ফহনবা ঙম্লিবা অসিদি শুপ্নতগী বেক্টেরিয়ানা থোকহনবা লায়না-লাইওংশিংখক্তংনি। ইনফ্লুএঞ্জাগুম্বা ভাইরসনা থোকহনবা লায়নাশিংদদি এন্টিবাইওটিক্কী চন্নফম করিসু লৈতে। মরম অদুনা ঐখোয়না এন্টিবাইওটিকপু লান্না অমদি মশিং হেঞ্জিন্না চাবা মতমদা হকচাংদা য়াওবা অফবা বেক্টেরিয়াশিংবু হাৎতোক্তুনা হকশেলগী ওইবা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লি। মসিগীসু মথক্তা বেক্টেরিয়াশিং অসি মহৌশানা ইভোল্ভ অমদি ম্যুটেট য়াম্না তৌহল্লি, অদুনা বেক্টেরিয়াগী ষ্ট্রেন খরদি ইভোল্ভ তৌরক্তুনা এন্টিবাইওটিকশিং অদুদা হিংবা ঙম্লকই অমদি হীদাকশিং অদুনা মখোয়বু হাৎপা ঙম্লক্তে। অসুম্না এন্টিবাইওটিক রেজিষ্টেন্সকী ৱাথোক অসি অসুম অসুম চাওখৎলক্লি।

এন্টিবাইওটিক রেজিষ্টেন্স থোকপা হায়বসিনা শোকহল্লিবা অসি মীওই অমখক্তংদা নত্তে। রেজিষ্টেন্স থোক্লবা বেক্টেরিয়াশিং অদুনা মীওইবা খুদিংমক্তগী হেন্দোক্তুনা শা-য়েনদা ফাওবা শোকহল্লক্তুনা নোংমদি ঐখোয় খুদিংমক মালেমদগী মুৎখিবা য়ানা লৈ। মরম অদুনা দোক্টরনা প্রিস্ক্রাইব তৌদবা হীদাক চারোইদবনি। মথৌ তাদনা এন্টিবাইওটিক শীজিন্নরোইদবনি। দোক্টরনা প্রিস্ক্রাইব তৌরকপা চাং অদু চপ চানা চাগদবনি।

## এম পি দি এফনা শীন্দুনা কনষ্টিট্যুসন দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস) :
মণিপুর পিপলস দেম্মক্রেটিক ফ্রন্ট (এম পি দি এফ) না শীন্দুনা ফ্রন্ট অসিগী ওফিসতা ঙরাং কনষ্টিট্যুসন দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না এম পি দি এফকী সেক্রেটরি এস শামুঙৌনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কনষ্টিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াবু অয়াবা পীবা নুমীৎ, ৭১ শুবা কনষ্টিট্যুসন দেগী থৌরম ঙরাং অয়ুক এম পি দি এফনা শীন্দুনা পাঙথোকখি। এম পি দি এফকী প্রসিদেন্ট এক্স-এম এল এ, এন নোদিয়াচান্দনা ময়াই তাংবল লৌদুনা থৌরম অদু পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা কনষ্টিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী আর্টিকলশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি।

থৌরমদুদা এম পি দি এফকী সেক্রেটরি শামুঙৌনা হায়খি, নিংথৌ পানবা লৈবাক ৬০০ লোম্না পূনশিল্লগা ইন্দিয়া শেমখি। কনষ্টিট্যুসনসু শেমখি। এমেন্দমেন্ট কয়ারক তৌখ্রে। জম্মু এন্দ কাশ্মির অমসুং লদাখ হায়দুনা য়ুনিয়ন টেরিটোরি অনী থোক্লা খায়দোকখ্রে। য়ুনিয়ন টেরিটোরি ৯ শুখ্রে। ষ্টেটনা ২৮ দা হস্থখ্রে। ইন্দিয়াদা লৈরিবা ষ্টেটশিংগী এম পি মশিং খেন্নে। য়ু পিদা এম পি ৮০, মহারাষ্ট্রাদা ৪৮, বিহারদা ৪০, মণিপুরগীনা এম পি ২ নি। য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী এম পিসু মশিং খেন্নে। কনষ্টিট্যুসন ওফ ইন্দিয়া শেম্বদা মণিপুরগী মীহুৎ য়াওখিদে। মসি অঙকপা অমনি। ঙসি এম এল এ ৬০, এম পি ৩ লৈরি। কনষ্টিট্যুসন ওফ ইন্দিয়া ঙাক্লা থবক তৌগনি হায়না ৱাশকখিবদু থবক ওইনা ওন্থোক্লবদি ঈং-তপ্পা লৈরোইদবগী মরম লৈতে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## শুমাং লীলাগী শক্লাইরবী নুংশিতোম্বীনা লৈখিদবদা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস) :
নুপী শুমাং লীলাগী চিংখুবা য়ুবরাজ শাবদা মমিং লৈখিবী শক্ল াইরবী আর কে ওংবী নুংশিতোম্বীনা লৈখিদবদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎপগী থৌরম অমা মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সীলনা শীন্দুনা পাঙথোকখ্রে।

হৈরাঙ্গোইথোং অহোংশাংবম লৈকায়দা লৈবা লৈখিদ্রবী আর কে ওংবী নুংশিতোম্বীগী য়ুমদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা কাউন্সীলগী প্রসিদেন্ট পুণির্মাসি লৈমা, কাউন্সীল অসিগী লাইফ টাইম প্রসিদেন্ট পি ঐচ গুনচন্দ্র, এদভাইজর এল তর্পন অমদি ৱারেপ্পা নবা পদ্মশ্রীনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি।

থৌরমদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সীলগী লাইফ টাইম সেক্রেটরি এস ঐচ হেমন্তনা হায়খি, লৈখিদ্রবী আর কে ওংবী নুংশিতোম্বী চিংখুবা য়ুবরাজ শাখিবী অসি নুপী লীলারোয় অমা ওইনা চঙলকখিবনি। শুমাং লীলাদা মহাক্না লৌরম্বা থৌদাং কয়া নীংশিংলি। মোইরাং কংলৈরোল লীলাদা চিংখুবা য়ুবরাজ শাখি। য়ুবরাজ শাবা পাম্লকপগী মতুংইন্না মোইরাং কংলৈরোল অসি য়োকখৎপা হৌরকখিবনি। চিংখুবা শানবা হোৎনবদা মোইরাং কংলৈরোল হায়বা অসি য়াম্না মরুওই। কাউন্সীলগী ওইনা নুপী শুমাং লীলা, নুপা শুমাং লীলা হায়না খায়দনা ঈকায় খুম্নবা উৎতুনা লাক্লি। শুমাং লীলাদা য়াওরিবসি অচঙবা মীওই ঙাক্তনি। মখোয়বু ঈকায় খুম্নবা উৎপনি।

আর কে ওংবী নুংশিতোম্বীনা লৈখিদবসি শুমাং লীলাগী চাউনা মাঙজবা অমা ওইরে হায়নসু ফোঙদোকখি।

ইমা রমনিনা হায়খিবদা লীলা হায়বসি থৱায় য়াওনা কখোক্তুনা হোৎনরক্লবী অমনি। শুমাং লীলাগীনি হায়রবদি অৱাবা লৈতনা মহাক্লা হোৎনরকখি। নুপী শুমাং লীলাগী মোইরাং কংলৈরোল অসিবু য়োকখৎপদা অচৌবা থৌদাং য়ারম্বীনি। মহাক্লা নুপী শুমাং লীলাগীদমক লৌরম্বা থৌদাং কয়া অদু নীংশিংবা তঙাইফদে হায়নসু মখা তাখি।

আর কে ওংবী নুংশিতোম্বী চহী ৮২ শুখ্রে। ওল মণিপুর ৱিমেন আর্টিষ্টি এসোসিএসন্দা কুমজা ১৯৮৪ দগী শুমাং লীলা য়াওবা হৌরকখি। চিংখুবা শাবা হায়না মীয়াম্না শকখঙনখিবা শক্লাইরবীনি। মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীগী শুমাং লীলা ফেষ্টিভেলদা বেষ্ট এক্ট্রসু ফংখ্রে হায়রি।

LRS
GROUP OF COMPANIES
ISO 9001:2015 CERTIFIED

Recruitment Notice

Applications are invited from suitable candidates for the below posts at various subsidiary Companies of LRS Group of Companies.

**LRS Education Services Pvt Ltd**

| Name of the post | No of posts | Qualifications and other requirements | Salary |
|---|---|---|---|
| 3D Max and MAYA Animation Trainer | 2 | • 3-5 years of Experience in Teaching 3D Max and MAYA Animation | Starting from 15,000 per month |
| Counselor | 2 (Female) | • Minimum graduation with 3-4 years' work experience in a similar role<br>• Candidate with good knowledge of Animation and visual effects industry will have an added advantage | Starting from 8,000 PM |

**LRS Hospitality and Healthcare Services Pvt Ltd**

| Name of the post | No of posts | Qualifications and other requirements | Salary |
|---|---|---|---|
| Pharmacist | 10 (for Imphal East/West, Thoubal and Bishnupur) | • D Pharm with 1-2 years' experience.<br>• Candidate from the same district will be given preference | Starting from 10,000 PM |
| Food and Beverage Executive | 8 | • Degree/Diploma in Food and Beverage with minimum 1-2 years' experience in F&B.<br>• Experience in a Café or QSR will be given preference | Starting from 10,000 |
| Customer Support staff | 5 | • Minimum 12 pass with 1-2 years' experience as a sales staff in any shop | Starting from 8,000 PM |
| Driver | 2 | • Minimum 18 years old with valid driver's license | Starting from 5000 per month |

**LRS Infotech Pvt Ltd**

| Name of the post | No of posts | Qualifications and other requirements | Salary |
|---|---|---|---|
| Web Developer | 2 | • 3-4 years' experience in designing and maintaining websites.<br>• Must have hands on experience with latest web technologies | 15,000 – 30,000 per month |
| Office Assistant | 2 | • Minimum 12 pass with 1-2 years' work experience in any field<br>• Candidate with own vehicle will be given preference | Starting from 5,000 PM |

**LRS Infrastructure Pvt Ltd**

| Name of the post | No of Posts | Qualification and other requirements | Salary |
|---|---|---|---|
| Architect | 2 | • B Arch with 3-4 years of experience | Starting from 15,000 per month |
| Mason, Carpenter, Plumber, Electrician, Tiles Mistry Etc | 10 each | • 3-4 years of experience in the respective fields<br>• Having a recognized certificate/diploma will be an added advantage | Negotiable |

**LRS Financial Services Pvt Ltd**

| Name of the post | No of posts | Qualifications and other requirements | Salary |
|---|---|---|---|
| Relationship Officer | 4 | • Preferably MBA/M. Com with 3-4 years of experience in Banking and Financial Sector | Starting from 10,000 |
| Business Development Executive | 4 | • Minimum a graduate with 1-2 years' experience in the micro finance sector<br>• Preference will be given to candidates with own vehicle | Starting from 8,000 PM |
| Cashier | 2 | • M. Com/ B. Com with 2-3 years' experience in handling cash transactions | Starting from 8,000 PM |
| Housekeeping Staff | 2 | • Minimum 10 pass with prior experience of working as a house keeping staff in any place | Starting from 4,000 PM |

*LRS financial Services also welcomes investors who are willing to invest at monthly interest rate of 4%. Please walk in to our office for more information.*

Important information:
- Candidates need to submit their application form and Résumé at the below address before **5th Dec 2019**
- Only the suitable candidates will be contacted after Résumé screening

LRS INDIA, Changangei, Opposite Imphal International Airport

HL-B/5836/28,29,30

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৮।১১।২০১৯ ইং, শগোলশেল, পোইনুগী ২নি পানবা।

**মেষ :** নীংবা মপা চারোই, য়েক্লবনা পাঙ্গলবা, অশাওবনা মাঙজবা অমদি ফংবা য়াবসু পনবা লৈগনি। অরুবা থবক য়েথোকপা ফৈ, খাংবা কনবনা য়াইফবা ওইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - তঞ্জা ঙাইয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং ।

**বৃষ :** লাইবক ফগনি, লোয়নবশিংগী মতেং ফংগনি, নীংবা থুংগনি। অমরোমদা লৌশিং চাউবা মী তানদ্রদি অৱাবা মায়োক্লগনি অমদি য়েক্লবনা লন মাঙহনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মীগী মতেং ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু ।

**মিথুন :** খন্থদ্রদি মীতোপ্পা কান্নবা লৌখিনি অমদি ঈৱাং পুরদি নঙগী ওইবা মী কায়নবা নংগনি। চিংনবা লৈতনা পূক্লিংদা ফাওবা অফবা থবক্তি পাংবা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**কর্কট :** ঙসিসু অশাওবা অমদি নাপলনা মাঙহনগনি অদুনা ঈংথনা লৈয়ু। মহৌশাগী থৌদগী হেন্না পাংগনু। অদুবু য়াকা য়েংনা চৎলবদি খুদোংচাবা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - হেন্না অশা চাওবনা মাঙজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

**সিংহ :** অচম্বা অমদি অফবা পাম্বৈনা মায় পাকচৌ হায়বা লৈ। অৱৈবা লৌশিং ফুদোক্তুনা শীজিন্নবা য়াগনি- কনানসু লাকচবা ঙম্লোই। য়েৎনবদি তৌরুনু।
লৈশা পাখংশিংগী - খাংবা খরা কল্লু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**কন্যা :** মায় পাক্কনি, মীয়াম্না য়াগনি অদুনা মীয়াম্না পামগদবা থবক পাংবনা খ্বাইদগী ফবা নুমিৎনি। অদুম ওইনমক থবক থৌরমদা মীতোপ্পা অয়েৎপা পীবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।

**তুলা :** অনম তাল্লগা লন ময়েং তাগনি- নোল্লুক্লা চৎলু, মীরক চংবদি নুংঙাইজগনি অমদি য়াম্না লুনা খন্দনা চৎলু অদুম কান্নগনি । হেনজিন্নদি অশা তৌরুনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা য়াম্না চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**বৃশ্চিক :** লাইবক ফবা, মীচং হেনগৎপা অমদি হায়জ নোনজবা কান্নবা নুমিৎনি। অরং-অরাক লৌবা য়াগনি অদুবু হকচাংদি নুংঙাইরোই, য়েক্লবনা পাঙ্গল্লি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

**ধনু :** লৌশিং চাওবা মীগী ৱা লৌদবা তৌগনু, অফা অপুনগী লম্দা য়াওরুনু অমদি অফবা মরুপ তাঙবা নুমিৎনি। মীনা ইনশিনবা লৌরদি খৎনগনি-পংথগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - মতম ঙাইয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

**মকর :** শেল ফংগনি, ইমুং-মনুং মরী ফগনি অমদি তানরগা পাংবা থৌরম খুদিং শোয়দনা মায় পাক্কনি । খল্লুদবা কান্নবা লাক্কনি। ঈৱাং পুরদি থবক কাইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**কুম্বা :** লৈজবা থৌনা অমদি পাঙ্গল ফুদোকপা কান্নগনি। চিংনগনু শোয়দনা মায় পাক্কনি অমদি মীকোক থোংগনি। লাইবক ফৈ। ইমুং-মনুংগী ৱাদি তাবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**মিন :** শেল-থুমগী থবক্তা মায় পাকচবা অমদি য়েৎনরম্বা কোকচবা নুমিৎনি। মীংচৎসু ফংগনি, মরুপ-মপাং অফবা শোয়দনা ফংগনি। নথক থোংবনদি তাথিগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - হায়জবা তাবিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।